প্রাইম মিনিষ্টর মোদি হল্লকখ্রে

অহমেদবাদনা ইন্দিয়াগী অহানবা ৰার্ল্ড হেরিটেজ সীটি ওইরে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৯ (এজেন্সী) :

লৈবাক অনীগী খোঙচৎ লোইরদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা হল্লকখ্রে।

জুলাই ৪ দা প্রাইম মিনিষ্টরনা ইজরেলদা থুংলুখিবগা লোয়ননা য়ানচে তরেৎ সাইন তৌনখিবনি। মফম অদুদা মহাক্না লল্লোন-ইতিক তৌরিবা মীওইশিংগসু উনখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়া অমদি ইজরেলগী সী ঈ ওশিংনা দোল্লর বিলিয়ন ৫ রোমগী মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং সাইন তৌনখি।

লৈবাক অনীগী মরক্তা ষ্টার্ট অপ, ফার্মা এন্দ লাইফ সাইন্সেস, হোমলেন্দ সিক্যুরিটি, এগ্রিকলচর ইনর্জী অমসুং ৱাটর সেক্টরদা জোইন্ট কম্মিটি ৬ শেমখি। তুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা জর্মনিগী হেমবর্গতা চৎতুনা জি-২০গী মীফমদা শরুক য়াখি।

জি-২০গী মীফমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোর্স মাইগ্রেসনগী ৰাফম পুখৎখিবগা লোয়ননা লিগেল মাইগ্রেসন খন্দোক্লবগী মতাংদা মপুং ফাবা পোলিসি ফ্রেমৱার্ক অমা শেম্নবা তকশিনখি।

মীফমগী নীনি চনবা নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টরনা অফ্রিকাগা হীরম কয়াদা থবক তৌমিন্নবগী মতাংদা ৰাফম কয়া ফোঙদোকখি।

মহাক্না সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জাই-ইন অমদি ইটলিগী প্রাইম মিনিষ্টর পাওলো জেনটিলোনিগসু উনদুনা নাকল অনীমক্তা খুদোংচাবা ফংগদবা হীরম কয়াগী মতাংদা ৰারী শানখি। জি-২০গী মীফম য়াওবা লাকখিবা বৃটেনগী প্রাইম মিনিষ্টর তেরেসা মেগা উনখিবা মতমদা মহাক্না ইন্দিয়াদগী য়ুনাইটেদ কিংদমদা চেন্দুনা লৈখিবা মীওইশিং খূৎশিন্নহল্লক্লবগী মতাংদা ৰারী শানখি।

ইরাই নুমিৎতা মীফমগী অহৌবা নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টরনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প, রসিয়াগী মহাক্না ফম মান্নবা ৱ্লাদিমির পুটিন অমদি চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিনপিং য়াওনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাকপা লুচিংবা কয়াগা ৰারী শানখি।

মীফম হৌবা নুমিৎতা মালেমগী মতিক ময়াই লৈরবা লৈবাক ২০গী লুচিংবশিংনা টেররিজমগী মতাংদা মপুং ওইনা খন্নখি। নুমিৎ অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা জপানগী মহাক্না ফম মান্নবা সিঞ্জো অবে অমসুং কেনাদাগী প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ক্রদিয়ুগসু উনখি।

চৈরকসিদা, অহমেদবাদনা ইন্দিয়াগী অহানবা ৰার্ল্ড হেরিটেজ সীটি ওইরকপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হরাওবা ফোঙদোকখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৰারোল অমদা মহাক্না হায়খি, অহমেদবাদনা ৰার্ল্ড হেরিটেজ সীটিগী মিংথোল ফংলকপা হায়বসি লৈবাক অসিগী ওইনা চাউথোকচনিংঙাইনি।

পোলেন্দগী ক্রেকোদা পাঙথোকখিবা য়ুনেস্কোগী ৪১শুবা ৰার্ল্ড হেরিটেজ কম্মিটিগী মীফমনা অহমেদবাদপু ইন্দিয়াগী অহানবা ৰার্ল্ড হেরিটেজ সীটি ওইনা লাউথোকখিবনি।

সীটি অসিদা হিন্দু, মুস্লিম অমদি জেন ফুরুপকী মীওইশিং নুংশি-চাননা লৈমিন্নবগী থৌওংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা ৰার্ল্ড হেরিটেজ সীটিগী মিংথোল পীনবা ৰারেপ লৌখিবনি হায়রি। মদুগীসু মথক্তা সীটি অসিদা আর্কিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়ানা ঙাক শেন্দুনা থল্লিবা পোৎলম কয়ামরুম লৈরি। কুমজা ১৯১৫ দগী কুমজা ১৯৩০ ফাওবা মহাত্মা গান্ধীনা লৈরম্বা সীটি অসি হৌজিক্তি এরিস, কাইরো অমদি এদিনবর্গনচিংবা ৰার্ল্ড হেরিটেজ সীটিশিংগী মনুং চল্লে।

কুমজা ২০১৯গী মীখলদা রাহুল গান্ধীনা ওপোজিসনগী মরুওইবা থৌদাং লৌগদৌরি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৯ (এজেন্সী) :

ওক্টোবর থাদা ওর্গনাইজেসনগী মীখল পাঙথোক্লবা মতুংদা কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা পার্টি প্রসিদেন্টকী ফম পায়বগা লোয়ননা কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা ওপোজিসন পার্টিশিংগী মরুওইবা থৌদাং লৌরগনি হায়না জ্যোটিরাদিত্য সিন্দিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

লোক সভাদা পার্টিগী চীফ হ্বিপ ওইরিবা মশাগী চহী ৪৬ শুরবা সিন্দিয়ানা হায়খি, কুমজা ২০১৯গী মীখলদা কোংগ্রেসনা মপুং ফানা মায় পাকপা ঙম্নবগীদমক অখন্নবা থৌরাং কয়া খুদক্তা লৌখৎপা মথৌ তারে।

অটল বিহারি বাজপায়ীনা লুচিংবা নেসনল দেমোক্রেটিক এল্লাইন্স (এন দি এ) গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০০৪ দা মায়থীখিবগুম হন্দক্কী লোক সভা মীখলদা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টসু শোয়দনা মায়থীরগনি। মীখলগী থবক থৌরম পায়খৎপদা রাহুল গান্ধীনা কোংগ্রেস অমদি ওপোজিসন পার্টিশিংগী মরুওইবা থৌদাং লৌগনি হায়না সিন্দিয়ানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

ওপোজিসন্দা লৈরিবা পার্টি খুদিংমক্না রাহুল গান্ধীবু ওপোজিসন লীদর ওইনা পুখৎপদা অয়াবা পীরক্কদ্রা হায়না হংখিবা ৰাহং অমগী পাউখুমদা সিন্দিয়ানা হায়খি, তোঙান-তোঙানবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা রাহুল গান্ধীবু অমত্তা ওইনা শৌগৎলি। অথুবা মতমদা রাহুল গান্ধীনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্টকী

থৌ পুরবা মতুংদা ওপোজিসন লীদরগী থৌদাং লৌবা হৌরগনি হায়রি।

কোংগ্রেস মনুংদা রাহুল গান্ধীবু পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইহন্নবগী মতাংদা ৰাফম কয়া পুখৎলকপা লৈখ্রবনি। মতম খ্বাইদগী শাংনা পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইরক্লবী সোনিয়া গান্ধী পোথাহল্লগা রাহুল গান্ধীদা প্রসিদেন্টকী ফম শীন্নগদবনি হায়না পার্টি মনুংগী মীওই কয়ানা পুখৎলকপা লৈখ্রে।

গুনাদগী লোক সভা মীখলদা মায় পাক্তুনা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ওইরিবা সিন্দিয়ানা এন দি এ গভর্ণমেন্টপু ৰা ঙাঙবা খক্তমক হৈবা, থবক্তি তৌদবা গভর্ণমেন্টনি হায়না মরাল শীখি।

অব্রাহম লিঙ্কনা হায়রম্বা ৰাফম পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, কনাগুম্বা অমনা মতম খরগী ওইনা মীপুম খুদিংমক অপঙবা শীবা ঙম্লবসু মতম চুপ্পা অপঙবা শীবদি ওইথোক্লোই।

অমরোমদা, বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি)না কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগীদমক শেম শাবা হৌখিবগা লোয়ননা পার্টিগী লুচিংবী ময়াৰতিনা মীরেপ ওইবা য়াবা মীওইশিং খন্দোকপগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে।

পার্টিগী লুচিংবা অমনা হায়খি, মীখলদা মীরেপ ওইগদবা মীওইশিংখক খন্দোক্লবা মতুংদা হায়রিবা মীওইশিং অদু মীয়ামগা খূৎশম্ননা থবক তৌমিন্নবা ময়াৰতিনা পাউতাক পীখ্রে।

লোক সভা মীখলদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্লগা পার্টিগী কাদর অমদি লুচিংবা পুম্নমক মশক থোকপা থবক পায়খৎনবা খঙহনখ্রে হায়নসু বি এস পিগী লুচিংবা অমনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

লুচিংবা অদুনা হায়খি, ময়াৰতিনা ওফিস বিয়ারর অমদি পার্টিবু নুংশিবা মীওইশিংগী ৰা তারবা মতুংদা মীরেপ ওইগদবা মীওইশিং খনবগী থবক পায়খৎকনি।

বি এস পিনা মৈরা কুমারবু প্রসিদেন্ট মীরেপ ওইনা পুখৎনবগী মতাংদা সমাজৱাদি পার্টিগা খূৎশম্নবা লৈখ্রবনি। সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা অখিলেশ যাদব অমদি বি এস পিগী লুচিংবী ময়াৰতিনা ওগষ্ট ২৭ তা লালু প্রসাদ যাদবকী আর জে দিনা শীনবা রেল্লি অমদা শরুক য়ারবা য়াই হায়না থাজনরি। মতৌ অসুম্না তোঙান-তোঙানবা পার্টি কয়ানা লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পি অমদি মসিগা চৎমিন্নরিবা পার্টিশিং মায়থীবা পীনবা থৌরাং লৌখৎলি।

এস পি অমদি বি এস পিদা দলিট ফুরুপকী মীওইশিংনা ভোট পীরক্কদবা লৈবনা পার্টি অনী অসিনা লেপ্পা মায়কৈদা দলিটশিংগী ভোট শোয়দনা পীরক্কনি হায়না থাজনরি। অদুমওইনমক হন্দক্তা পাঙথোকখিবা এসেম্বলি মীখলদা বি এস পিনা য়ু পিগী অপূনবা সীট ৪০৩গী মনুংদা শুপ্নগী ১৯ খক ফংবা ঙমখি। কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা এসেম্বলি মীখলদদি পার্টি অসিনা সীট ৮০ ফংবা ঙমখিবনি।

বি জে পিগী ওইনা ভোট ফংবগী চাং ৰাংখৎলকপগা লোয়ননা এন দি এনা সীট ৩২৫ ফংখি। বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এবু মায়থীবা পীনবগীদমক আর জে দিগী প্রসিদেন্ট লালু প্রসাদ যাদবনা এস পি অমসুং বি এস পিগা খূৎশম্নদুনা অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎনবা হোৎনরি।

বিহারদা অখাক-অরাওনা মরম ওইরগা মীওই ১৬ শিহনখ্রে

পাটনা, জুলাই ০৯ (এজেন্সী) :

বিহারগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা ঙসি অখাক-অরাও থোকপদগী মীওই ১৬ শিরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

বিহার ষ্টেট দিজাষ্টর দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা হায়খি, অখাক-অরাওনা মরম ওইরগা বাইসালি দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ৫, ভোজপুর দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ৩, লোয়ননা বুক্সার অমদি সমস্টিপুর দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ২/২ শিখি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং-মনুংদা লুপা লাখ ৪ কমপেন্সেসন পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

বিহারদা মমাঙঙৈদগী হৌনা নোংজু থা মনুংদা অখাক-অরাওগী থৌদোক তোয়না থোক্তুনা লাকখি। খুঙ্গংগী মীওই অয়াম্বা ৰা অমদি ঈনা য়ুম শারগা লৈবা মরম্না অখাক-অরাও থোরকপা মতমদা খুদোংথীবা হেক-হেক নংই।

বিহারগী মফম কয়ামরুমদা ঙসি অকনবা মওংদা নোং চুবদগী মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লখি।

মমাঙ থাদসু অখাক-অরাওনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা মীওই ৭০ শিবা লৈখ্রবনি। লৈখিদ্রবা মীওই অয়াম্বা ফার্মদা থবক শুবা লেবরর অমদি লৌবুক্তা কুম্দুনা লৌ উবা মীওই ঙাক্তনি।

ষ্টেট অসিগা য়ুমথংননা লৈরিবা উত্তর প্রদেশতসু অখাক-অরাও নংবদগী মীওই ২০ শিখি। বিহার ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্টনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না অখাক-অরাও নংবদা শা-ষণ কয়াসু শিখ্রে হায়রি।

চহী খুদিংগী ইন্দিয়াদা মীওই লিশিং কয়ামরুম অখাক-অরাওনা মরম ওইরগা শিরি। নেসনল ক্রাইম রেকোর্দস ব্যুরোগী রিপোর্ট মতুংইন্না কুমজা ২০১৪ দা অখাক-অরাওনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা মীওই ২,৫০০ হেন্না শিখি হায়রি।

হৌখিবা মে থাদসু বিহারদা অখাক-অরাওনা মীওই ২৯ শিহনখি। ওফিসল রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, জম্মুই, চম্পারন, বাইসালি অমসুং সমস্টিপুর দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা খুঙ্গংশিংদা য়ুম অমদি য়ুমগী ফক্লাং নীংখায়রকপদগী মীওই ২৯ শিখিবনি। মফম খরদা নোং কন্না চুখিবগা লোয়ননা অকনবা নুংশিৎ শীৎলকপদগী য়ুম ২৫০ হেন্না অমাঙ-অতা থোকখি হায়না ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওঠোরিটিনা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা অসামগী ঈচাওগী ফীভম হংখ্রে

গুৱাহাটি, জুলাই ০৯ (এজেন্সী) :

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি অসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱালগা ফোনদা ৰারী শানদুনা ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা ঈচাওগী মতাংদা হংখ্রে।

অসাম গভর্ণমেন্টনা অৰাবা তারবা মীয়ামগীদমক পায়খৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা মোদিনা ৰাহং কয়া হংখি। মহাক্না হায়খি, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা অসামদা হৌজিক ঈচাও থোকপগী থৌওং অসিবু হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলকপা থৌরাং খুদিংমক্তা সেন্টরনা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংনবা শেম শারে।

সোনোৱালনা হৌজিক-হৌজিক ঈচাওগী অৰাবা নংলবা মীয়ামগীদমক ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পায়খৎপা থবক থৌরমশিংগী মরমদা অকুপ্পা ৰাফম প্রাইম মিনিষ্টরদা পাউদমখি।

মহাক্না হায়খি, ষ্টেটকী কেবিনেট মিনিষ্টর পুম্নমক ঈচাও থোক্লবা মফমদা হকথেংননা চৎতুনা পায়খৎলিবা রিলিফ অমদি রেস্ক্যু ওপরেসন য়েংশিন্নবা

খঙহনখ্রে। এম পি অমদি এম এল এ খুদিংমকসু মশা-মশাগী কন্সটিট্যু-য়েন্সিশিংদা লৈদুনা মীয়ামগী অৰাবদা শরুক য়ানবা খঙহনখ্রে।

অসামদা ঈচাওগী ফীভম তপ্না-তপ্না ফগৎলকপগা লোয়ননা উত্তর প্রদেশ অমদি লৈবাক্কী মফম খরদা নোং কন্না চুবদগী মরুওইবা তুরেল অয়াম্বা ঈমায় পাথোরকপা য়াবগী ফীভমদা লাকখ্রবনি।

অসাম ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওঠোরিটিনা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিগী খুঙ্গং ৯৩২ ঈশিং থুমজিনখিবা মরম্না মীওই লাখ ৪.২৬ অৰাবা মায়োক্লরে। উত্তর প্রদেশতসু নোং কন্না চুবদগী তুরেল ঈমায় পাথোরক্তুনা মফম খরা ঈশিং থুমজিল্লে। পঞ্জাব অমদি হরিয়ানাদনা অয়ুক নুংথিলগী মতমদা কা হেন্না শাবদগী মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে হায়রি।

অসামগী দিষ্ট্রিক্ট ১৭ তা লৈরিবা মীওই লাখ ৪.৫ ঈচাওগী অৰাবা মায়োক্লবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা ঈচাওগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা পূন্না মীওই ২২ শিবা লৈখ্রবনি। নলবারি, কমিরগঞ্জ অমদি সাউথ সলমারা দিষ্ট্রিক্টতা মীওই অমমম্ ঈরাক্লদুনা শিখি।

ইন্দিয়ানা দোক্লামদা লান্মী থমখিগদৌরি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৯ (এজেন্সী) :

য়েৎনরিবা দোক্লম এরিয়াদা ইন্দিয়ন আর্মিনা মতম শাংনা লৈথবগী ফীভমদা লৈরি। হন্দক্ত মফম অসিদা থাজিনখিবা ইন্দিয়াগী লান্মীশিং টেন্ট খনগৎতুনা মতম শাংনা লৈনবগীদমক শেম-শাবা হৌরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

চাইনাগী পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ)না মফম অসি থাদোক্তুনা চৎত্রিবা ফাওবা ইন্দিয়ন আর্মিসু মখা তানা লৈখিগনি হায়রি। ওফিসল ছোর্সপল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, মফম অদুদা মথৌ তৌরিবা ইন্দিয়ন আর্মিদা চান-থক্লবা পোৎলম চাং নাইনা য়ৌহনবা ঙম্নবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে।

অমরোমদা, চাইনানা দোক্লামগী মতাংদা খোঙফম অমত্তা হন্দোক্লোই হায়না ফোঙদোরকখ্রে। অদুমওইনমক কুমজা ২০১২ দা য়ানখিবা ৰাফম অমগী মতুংইন্না য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনীনা হীরম অসিগী মতাংদা ৰারোইশিন পুরক্কদবনি হায়না চাইনানা ফোঙদোক্লি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা সিক্কিমদা ইন্দিয়ানা অহেনবা লান্মী কয়ামরুম থাজিনখ্রবা মতুংদা চাইনানা নাকল অনীগী মরক্তা মুক্লবগী চাং হন্থহন্নবগী পান্দমদা লান্মী লৌথোক্লবা ফিরেপ লৌরুরবনি।

থা অমরোম চুপ্পা ঙমখৈদা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী লান্মীশিং মুক্লদুনা লাকখ্রবা মতুংদা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকখিবনি। য়েৎনরিবা দোকা লা এরিয়াদা বৈজিংনা লম্বী শেমজিল্লকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন আর্মিগী বঙ্কর থুগায়খ্রবা মতুংদা ন্যু দিল্লিনা অহেনবা লান্মী কয়ামরুম থাজিন্নবা থৌরাং লৌখৎখিবনি।

জুন ১ দা চাইনাগী পি এল এনা দোকা লাদা লৈবা ইন্দিয়ন আর্মিগী বঙ্কর অনী শীদোক্লবা খঙহনখি। শাংলবা চহী কয়ামরুম মফম অদুবু ঙাক শেন্দুনা লাকখিবা ইন্দিয়ন আর্মিনা চাইনাগী ৰাফম অদু অয়াবা পীখিদে।

জুন ৬কী নুমিদাংদা চাইনাগী বুলদোজর অনী থৌজিল্লক্লগা বঙ্কর অনী থুগায়খিবনি। হায়রিবা মফম অদু চাইনাগীনি অমসুং ইন্দিয়া নৎত্রগা ভুটাননা মফম অদুদা বঙ্কর শাবগী রাইট লৈতে হায়না বৈজিংনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা নাকল অনী মুক্লরকপদগী জুন ৮ দা মনাক নকপা বৃগেদ হেদ ক্বার্টরসতগী অহেনবা লান্মী কয়ামরুম মফম অদুদা থাজিনখি। চাইনানসু পি এল এগী ১৪১ দিভিজনগী লান্মী কয়ামরুম থাজিল্লক্তুনা নাকল অনী নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক থোকখি।

চাইনিজ লান্মী চঙলক্লগা সিক্কিমদা লৈবা ইন্দো-চাইনা বোর্দর ঙাক্লিবা ইন্দিয়ন আর্মিগী বঙ্কর অনী থুগায়রম্লবা মতুংদা য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনীগী লান্মীশিং সিক্কিমগী দোকা লা জেনরেল এরিয়াদা মুক্লদুনা লাকখি। কাইলাস মনসরোবর যাত্রাদা শরুক য়াবা ইন্দিয়াগী মীওইশিং চাইনানা অথিংবা পীখ্রবা মতুংদা থৌদোক অসি থোকখিবনি।

ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা মায়কৈ অদুদা চাইনিজ লান্মী অমত্তা চঙলকপা ঙমহন্দ-নবগীদমক হ্যুমেন ৰাল শেমখি হায়রি। চাইনানা থুগায়খিবা বঙ্করশিং অদু সিক্কিমগী দোকা লা এরিয়াদা লৈবনি হায়রি।

অমরোমদা, নাকল অনীগী সিনিয়র আর্মি ওফিসরশিংনা ফ্লেগ মীটিং পাঙথোকখিবা তারবসু ঙমখৈদা উংখৎনবগী চাংদি হন্থরকপা লৈত্রি।

শ্রীলঙ্কানা ইন্দিয়াগী ঙামী ৩ ফাজিনখ্রে, পাকিষ্টাননদি ঙামী ৭৮ থাদোরকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৯ (এজেন্সী) :

ঈশিংগী ঙমখৈ লানশিল্লগা ঙা ফারম্মী হায়বগীদমক ইন্দিয়াগী ঙামী ৩ শ্রীলঙ্কন নেভিনা ফাজিনখ্রে।

নোরদর্ন লেবেল কম্মান্দগী ফাষ্ট এটেক ক্রাফট (এফ এ সী)না ঙামীশিং অদু ফাজিনখিবনি। এফ এ সীনা মহৌশাগী মতৌগুম পেট্রোল্লিং লাকপদা ইন্দিয়াগী ঙামী খরা ঈশিংগী ঙমখৈ লানশিল্লগা ঙা ফারম্বা থেংনবদগী খুদক্তা ফারগা পুখিবনি। ফারবা মীওইশিং অদু জাফনাগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওফ ফিশরিজদা শীন্নদুনা মখা তাবা থবক লৌখৎনবা খঙহনখ্রে।

অমরোমদা, পাকিষ্টাননা ঙসি ইন্দিয়াগী ঙামী ৭৮ থাদোরকখ্রে। ঙামীশিং অদু কারাচিগী লান্ধি জেলদা ফাজিন্দুনা থম্লকপনি হায়না সিন্ধ প্রোভিন্সকী হোম দিপার্টমেন্টকী ওফিসল নাসিম সিদিকিনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি। থাদোরক্লবা ঙামীশিং অদু হয়েং ইন্দিয়াদা য়ৌরক্লগনি হায়রি।

পাকিষ্টানগী তোঙান-তোঙানবা জেলশিংদা ঙামী ৫০০ য়াওনা ইন্দিয়া মচা চাওরাক্না ৫৪৬ ফাজিন্দুনা থল্লি হায়বা পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টনা ইন্দিয়ন দিপ্লোমেটতা খূৎশিন্নরকখিবা চেরোল অমদগী খঙবা ঙমখ্রবনি।

কুমজা ২০০৮ গী মে ২১ দা য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনীনা সাইন তৌনখিবা কোন্সুলর এসেস এগ্রীমেন্টকী মখাদা পাকিষ্টাননা ইন্দিয়ন হায় কম্মিস্নর গৌতম বম্বাৰালেদা রিপোর্ট অমা পীরকখি। রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না হৌজিক-হৌজিক পাকিষ্টানগী তোঙান-তোঙানবা জেলশিংদা ইন্দিয়াগী মীচম ৫৪৬ লোম লৈরি হায়বা খঙবা ঙমখি।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না অথুবা মতমদা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা জেলশিংদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা পাকিষ্টান মচাশিংগী মতাংদসু মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা ন্যু দিল্লিনা ইস্লামাবাদতা খূৎশিন্নখ্রগনি হায়রি।

ফোরেন ওফিসনা হায়খি, লৈবাক অনীগী মরক্তা অচেৎপা মরী শাগৎনবগী পান্দমদা পাকিষ্টাননা হৌখিবা জান্যুৱারী ৬ তা ইন্দিয়াগী ঙামী ২১৯ থাদোরকখি। জুলাই ১০ দা অতোপ্পা ঙামী ৭৪ থাদোক্লবগী মতাংদসু পাকিষ্টাননা থবক পায়খৎপা হৌরে হায়রি। জান্যুৱারী ১ দা ইস্লামাবাদনা ন্যু দিল্লিদা পীরকখিবা রিপোর্ট অমদা ইন্দিয়াগী মীচম ৫৪ অমসুং ঙামী ২৯৭ পাকিষ্টানগী তোঙান-তোঙানবা জেলশিংদা ফাজিন্দুনা থল্লি হায়না ফোঙদোরকখি। লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবগী পান্দমদা অমনা অমগী ফাজিন্দুনা থম্নরিবা মীচম অমসুং ঙামীশিং থাদোক্লবগী থৌরাং লৌখৎপা হৌরকখি। থৌরাং অসিগী মনুং চন্না জুলাই ১০ দা পাকিষ্টাননা ইন্দিয়াগী ঙামী ৭৭ থাদোরক্লগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ঈশিংগী ঙমখৈ লানশিন্দুনা ঙা ফারম্মী হায়বগী মরালদা টামিল নাদুগী ঙামী ৫ শ্রীলঙ্কন নেভিনা ফাজিনবা লৈখ্রবনি।

পুলৱামাদা টেররিষ্টশিংনা গ্রেনেদ লংশিল্লকপদা এস পি ও অমা শোক্লে

শ্রীনগর, জুলাই ০৯ (এজেন্সী) :

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী বন্দিপোরা দিষ্ট্রিক্টতা আর্মি কনভোয় অমদা এটেক চথুরকখ্রবা মতুংদা টেররিষ্টশিংনা পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টকী ট্রাল অরিবালদা লৈবা টেম্পররি পুলিস আউট পোষ্টতা গ্রেনেদ লংশিল্লকপদা স্পেসল পুলিস ওফিসর (এস পি ও) অমা অশোক-অপন নংলে।

পুলিস ওফিসল অমনা এজেন্সীদা হায়খি, মিলিটেন্টশিংনা ট্রাল টাউনগী অরিবালদা লৈবা সী আর পি এফ অমসুং পুলিসকী অপূনবা কেম্প অমদা য়ু বি জি এল গ্রেনেদ কাপশিল্লকখি। থৌদোক অদুদা ওফিসর অমা অশোক-অপন নংবদগী মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। হৌজিক ফাওবা এটেক অদু কনানা চথুরকখিবনো হায়বগী মতাংদা মিলিটেন্ট গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতসু বন্দিপোরা দিষ্ট্রিক্টতা টেররিষ্টশিংনা আর্মি কনভোয় অমদা এটেক চথুরকপদা আর্মি জৱান অহুম অশোক-অপন নংবা লৈখ্রবনি।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না আর্মি কনভোয় অদুনা বন্দিপোরাগী হাজিন এরিয়া য়ৌরকপদা টেররিষ্টশিংনা অফবা মখলগী খূৎলায় কয়া শীজিন্নদুনা এটেক চথুরকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, হিজবুল মুজাহিদীনগী লুচিংবা বুহান ৰানি লৈখিদবগী অহানবা কুমওন নুমিৎকা মরী লৈননা মফম কয়াদা পাক শন্না খোঙজং চঙশিল্লকপা য়াই হায়না চিংনবদগী কাশ্মীর তম্পাক্তা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি।

বুরহান ৰানিগী পোক্লফম লমদম ওইরিবা পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টকী ট্রালদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমখিবগা লোয়ননা মকোক থোংবা আর্মি ওফিসল অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীর পুলিসনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি। বরামুলা অমদি বনিহাল টাউনগী মরক্তা চেনবা ট্রেন সার্ভিস পুম্নমক নোংমগী ওইনা লেপহনখি।

পনবা য়াবদি, মমাঙ চহীগী জুলাই ৮ দা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদা বুরহান ৰানি লৈখিদ্রবা মতুংদা কাশ্মীর তম্পাক্কী মফম কয়াদা মীয়াম্না অকনবা মওংদা খোঙজং চঙশিল্লকপা লৈখ্রবনি।

থা ৪ হেন্না চঙশিল্লকখিবা মীয়ামগী খোঙজং নমথনবা হোৎনবদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই ৮৫ হেন্না শিখি। নীংশিং কুমওনগা মরী লৈননা মীয়ামগী ঈহৌ লাকপা য়াইহায়না চিংনবদগী আর্মি, সী আর পি এফ, ইন্দো-টিবেটান বোর্দর পুলিস, সসস্ত্রা সিমা বল অমসুং ষ্টেট পুলিসনা মফম কয়াদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি।

[illegible] POST VACANCY

Vacancy in Airport (DOMESTIC & INTERNATIONAL FLIGHT)

Name of Post	Qlfn.	Vacancy at	Salary	in Dubai (UAE)
(a) Cabin Crew/ Ground Staff	XII	Imphal/Guwahati/ Delhi/Dubai	12,000-38,000	60,000-Above
(b) Retail Executive	XII	Imphal /Guwahati/ Dubai	7,800-12,000	58,000-Above
(c) Driver/Loader	VIII-X	Imphal /Guwahati / Delhi/ Dubai	8,000-18,000	32,000-Above

Banking Staff	Qlfn.	Vacancy at	No. of Vacancy	Salary
d) Operating staff	Graduate	Imphal	6	20,000-25,000
e) Account Opening/ Tele caller	XII- Grad	Imphal	8	14,000-Above
f) Swipe Machine Operator	XII- Grad	Imphal	10	9,000-15,000
g) Computer operator (DTP& Tally)	XII	Imphal	6	7,000 (negotiable)
h) DTP operator (Hindi knowledge)	XII	Imphal	6	7,000 (negotiable)
* Security (Mall/Bank)	VII	Imphal	8	8,000-12,000
* Sales Boy/Girl	VIII-X	Imphal	8	7,000-Above

Date of Interview : 13th July 2017

Last Date of Form Submission : 12th July 2017

Visit : Elite Entrepreneurs, Keishampat Junction, Near Manipur Rural Bank.

HL-B/3992/7,8,10,11

# 9615288419

[illegible]/তাং-তাং চিকপা, খুউ চিকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা লৈবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা ফহনবগী ওজা কয়ামুদ্দিনবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা গ্যাষ্ট্রিক্না য়াম্না কন্না নাদুনা শ্বর হোনবদা চনিং-চমাংনবা তৌবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা থবাক নাবা, খোঙ-খুৎ শিথরকপা, তাং-তাং চিকপা, খুউ চিকপা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা, খোঙ হাল্লমদাইদা গ্যাষ্ট্রিক কারগা হাম্বা য়াদবা, খ্বাঙ নাবা, মসল নাবা, থবাক নাবা, মিহুন কা হেন্না চোংবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা তৌরম্বা অদু **এম ডি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম** ☎ ৮৫৭৫৮-১৪৭২০, ৮৪১৩৮-৭০০২৭ তা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কয়ামুদ্দিনবু হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am. 2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.

থাগৎচরিবা : **Chirom Nabakumar Singh**
Sarangthem Leikai.

HL-P/1968/10



SARASWATI COACHING INSTITUTE

Chingmeirong Khongnang Ani Karak, Imphal

ADMISSION OPEN

MEDICAL REGULAR COURSE for NEET(UG) - 2018

Starting of Class : 20h July, 2017

Special features

1) Supply of Study Material from *M-Power*, New Delhi
2) Special concession of Meritious, Physically challenged and Ex- Sacian Students
3) Special concession for those students that secured 350 and above mark in NEET UG - 2017

Van Service Available

Managing Director

We nourish your future

HL-B/3994/08-22july

[illegible]

ADMISSION OPEN FOR B.Sc. Nursing & GNM 2017-18
at Vijayawada A.P.
Offers Govt. Fees specially for Manipur Students

B.Sc Nursing: Fees Rs 26000/- p.a. Hostel Rs 4000/- p.a.
Eligibility - 10+2 EPCB 45% (Aggregate)
GNM: Fees Rs 15000/- p.a. Hostel Rs 3600/- p.a.
Eligibility - 10+2 passed any stream 40%
Mess Fee : Rs. 1,800/- per month

One of the best Medical College in South India, own hospital having 750 beded inside the campus. (Recognised by INC & affiliated to Dr. NTR University)

B.SC. NURSING ADMISSION OPEN 2017-2018
at Gitam University, Vishakhapatnam

- Tuition fees Rs. 30,000/- (per year)
- Food & Accommodations Rs. 30,000/- (per year)

SPOT ADMISSION

Eligibility Criteria : 10+2, PCB 50%
(only female candidate)

Top Deemed University having own medical college & hospital

EDUCARE ZONE Babupara, Near BOSEM Imphal
# +91 8794026277 & +91 9436009556

HL-P/0679/2to11-13,15,17,19&21